

সভেন সিষ্টর হায়না খঙনরিবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী পান্দমদা দিজেন গোগোইনা রঙ্গোলি বিহুগীদমক অখন্ননা মীওই ৭ না অমুক্তদা খোংবা য়াবা ফিট ১৬ শাংবা বঁসি অমা আর্ষ্টিসশিংনা খোংবা

# অৱাং নোংপোক্কী চিফ মিনিষ্টরশিংনা সেন্তরগী ৱারেপ য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ঃ***

সেন্তরনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট সিষ্টেম মখা চত্থদনবা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ানিংদবা ফেংদোক্তুনা অৱাং নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চিফ মিনিষ্টরশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল (এন ঈ সি) গী ৬৪ শুবা অমদি অনিরকশুবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফমদা ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা লুচিংদুনা সেন্তরনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেটস লৌথোক্কবা ৱারেপ লৌখিববু য়ানিংদবা উত্তুনা খোঙজং চংশিনখি।

অৱাং নোংপোক্কী চিফ মিনিষ্টর কয়ানা সেন্তর গী ৱারেপ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লখি। চহি খুদিংগী বজেটতা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগীদমক লুপা ক্রোর ৭৭৩ হাপ্লম্বনি হায়রি।

অৱাং নোংপোক্কী চিফ মিনিষ্টরশিংনা হান্না লৈরম্বা সিষ্টেম অদু মখা তানা লৈহনবা পাম্লি। এন ঈ সি গী চিয়ারমেনসু ওইরিবা দোনর মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র না চিফ মিনিষ্টরশিংগী ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হায় অসিগুম্বা প্লেটফোর্ম অমদা ৱারেপ লৌবা মতম চাদে হায়খি।

অসামগী চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোই মীফম য়াওদনা চৎখি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমসুং চিফ মিনিষ্টরশিংদগী তোঙান-তোঙানবা মত কয়া ফোংদোক্লরক্লি। অদুম ওইনমক দোনর মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুদগীদি তোঙাল্লি।

দোনর মিনিষ্টরনা পাউমীশিংগা অখন্ননা উন্নবদা ইশু অদুগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা পুখৎক্কদবনি হায়খি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পুম্নমক্কী ওইবা মীৎয়েংদা থবক পায়খৎপনি। মদু অকক্কুবা খরগী নত্তে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদি নিংবা কায়নিংঙাই ওই হায়না দোনর মিনিষ্টরনা ফোংদোরক্লি।

হন্দক্তা অৱাং নোংপোক্কী চিফ মিনিষ্টরশিং এন আই টি আই গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা হান্না লৈরম্বা স্পিসিয়েল কেতেগোরি ষ্টেটস মখা তানা লৈহনবা পাম্বা ৱাফমশিং ফোংদোক্লখি।

স্পিসিয়েল কেতেগোরি ষ্টেটকীদমক সেন্তরনা দাইত্য লৌবা স্কীমশিংদা শেল থাদবগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা চিফ মিনিষ্টরশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

এন ঈ সি না হৌজিক-হৌজিক লুপা ক্রোর ২৩০০ গী ওইগদবা অন্দরটেক্কিং প্রোজেক্ট চত্থরি। অদুগুম্বা প্রোজেক্টশিংঅদুগী অয়াম্বদি মতম অমসুং প্রোজেক্ট কোসকী মতাংদা খুদোং চাদবা মায়োক্লরি। ফিভম অসিদাদোনর মিনিষ্টরনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং মতম চোম্ববগী খুদোং চাদবা কয়া লৈ হায়না ফোংদোরক্লি।

এন ঈ সি গী পুখরিবা শেনফমগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায় দিফিজিট তাবগী মরম কয়া লৈ। মদুগী মনুংদা ফন্দ থাদবগী মতম হেনখিবা অসিসু অমনি। হৌজিক ওইরিবা খোঙজং থেংমল্লে। মার্চ ৩১ ফাওবদা চংশিলমগদবনি। পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগী মফম অমসুং ষ্টেটশিংগী চাকথুংগী মতাংদা খুদোং চাদবা কয়া মায়কৈ খুদিংমক্কী ওইবা তোঙানবা মীৎয়েং লৈগনি। অদুম ওইনমক প্রোজেক্ট কয়া থেংথবা অমদি ফন্দ থাদবদা মতম থেংথবগী খুদোং চাদবা কয়া লৈ। অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিং অদু লাকশিনগদবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা লমদম অসিগী এয়ার কনেক্টিভিটি ফগৎহনবা হায়বসিদা মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি। হান্ননা লেপ্তুনা লৈরম্লবা ডিমাপুর-দিল্লি-কোলকতা, কোলকতা-শিলচর-দিল্লি অমুক শম্লহনবগী থৌশিলদা মীৎয়েং থল্লি হায়খি।

চৈরকসিদা সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনা অৱাং নোংপোক লমদমদগী য়াঙ্গুন, মন্দলে, বেঙ্কোক অমসুং শিঙ্গাপুর ফ্লাইট সার্ভিস হৌহনবা দরকার লৈরে হায়না ফোংদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা চিনাগী লান্মীশিং চংশিল্লকপগী চাং হন্থরক্লেঃ মনোহর পরিকর

***পনাজি, এপ্রিল ১১ঃ***

ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা চিনাগী লান্মীশিং চংশিল্লকপগী চাং মমাং চহিদগী হন্থরক্লি। মদু লৈবাক অসিগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎলকপদগীনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পারিকরনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।



চিনা অমসুং লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংদা য়েৎনবগী ৱাফম লৈত্রে। ইন্দিয়ানা নিং খা তন্নকপদগী অদুগুম্বা ৱাফম অদু লৈরকখিবনি। ভাবনা শাবা অমসুং ৱাখলগী পরিংগী মতাংদা ঈশু অমা ওইরকখিবনি। মদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মথং থাদা চিনাদা চৎপগী খোঙচৎ মাঙওইননা ফগৎপা ফিভম অমালৈরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর পরিকরনা ফোংদোরক্লি।

হৌখিবা চহি খরদা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা থাজনবা লাকপগা লোয়ননা য়েৎনরম্বা ৱাফমশিং নমথখ্রে। মমাং চহিগা য়েংনবদা চৎলিবা চহি অসিদসু চিনাগী লান্মীশিং ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা চংশিল্লকপগী থৌদোক হন্থখ্রে। মখোয়না ঙমখৈ পরিং অদুদা লান্মীশিংনা থবক তৌবগী মতাংদা তান্নরকপা লৈরে। লোয়ননা চন্নবা কয়াসু হন্থহনবা ঙল্লে। মমাং চহিদগী লান্মীশিং চংশিল্লকপা হন্থখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর চিনা খোঙচৎতা ঙমখৈগী য়ান্নদবা লৈবশিংগী মতাংদা থবক পায়খৎকদ্রা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মনোহর পরিকরনা হায় প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মফম অদুদা চৎপা মতমদা ইশু কয়াগী মতাংদা খন্নগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌজিক মপুং ওইনা য়েংবদা চিনাগী লান্মীশিংনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা চংশিল্লকপগী চাং হন্থখ্রে। ৱাফম অসি নরেন্দ্র মোডিনা মথং থাদা চিনাদা চৎকদবা খোঙচৎকী মাঙওইননা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোংদোরকখিবনি।

# লখভি থাদোকখিবগী মায়োক্তা আপিল চৎননবা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা খঙহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ঃ***

মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাস্তরমাইন্দ জাকিউর রেহমন লখভি থাদোকখিবগী মতাংদা নৌনা আপিল তৌননবা ঙসি ইন্দিয়ানা পাকিস্তান্দা হায়জখ্রে।

লখভিগী চপ চাবা প্রমান পাকিস্তান্দা লৈরিবনি। পাকিস্তাননা মদু কোর্টতা পুথোক্তবনা মরম ওইদুনা লখভি থাদোকখিবনি হায়না হোম এফিয়ার্স মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ফোংদোরক্লি।

রিজিজুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ানা পীবা প্রমানশিং অদু পাকিস্তাননা শিজিন্নগদবনি। পাকিস্তানগী কোর্ট অমনা ইরাই নুমিত্তা লখভি থাদোকখিবগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। ফিভম অসিনা লৈবাক অনিগী মরীদা নেগেটিভ ওইবা ফিভম অমা থোকহল্লে হায়খি।

হেৎনজিক পেরিসতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রানকোইস হোলেন্দ দা পাকিস্তানগী কোর্ট অমনা লখভি বেল পীখিবদু হকচিননা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

ইজরেলনসু ২৬/১১ মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাস্তরমাইন্দ জাকিউর রেহমন্দ লখভি থাদোকখিবদা অঙকপা অমসুং নিংবা কায়বা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মালেমগী ওইনা টেরোরিষ্ট থেংনবগী খোঙজংদা নিংহন্নবা পোকহল্লে। ইন্দিয়া অমসুং ইজরেল নক্কনবা মরুপ মপাংনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

ইজরেলগী এম্বেসেদর দানিয়েল কার্মননা থোকপা চেরোল অমদা মুম্বাই টেরর এটেক অমসুং অকিবা ফংলবা থৌদোক অদুগী মাস্তর মাইন্দ লখভি থাদোকখিবদা অঙকপা অমসুং নিংবা কায় হায়না ফোংদোরক্লি।

মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাস্তরমাইন্দ জাকিউর রেহমন থাদোকখিবা কিনিংঙাইনি হায়না য়ু এস না ফোংদোরক্লি। লোয়ননা পাকিস্তাননা অদুগুম্বা এটেক কয়া চত্থবা অমদি মঙক কনবা মীওই অদুগী মথক্তা অচুম্বা ৱায়েল চত্থগদবনি। অদুগুম্বা মীওই অদু থাদোকখিবা হায়বদু হকচিন্না লৌই হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই জেফ রথকী না পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

য়ু এস না পাকিস্তানগী মরী লৈনবা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগা পাউ ফাওন্নরি। লোয়ননা মুম্বাই টেরর এটেক্কী মাস্তারমাইন্দ অমসুং মঙক কনবা মীওই অদুগী মথক্তা অচুম্বা ৱায়েল চত্থগদবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

# ঙমখৈ লান্না কাপশিল্লকপদা বি এস এফ অহুম শোক্লে

***আত্তারি, এপ্রিল ১১ঃ***

পঞ্জাবগী অত্রিটশরগী ঙমখৈ ৱাংমা লান্না পাকিস্তানগী স্মগ্লরশিংনা নোংমৈ কাপশিলকপদা বোদর্র সেক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সোনেল অহুম শোক্লে।

থৌদোক অদু ঙসি অত্রিটশর সেক্টরগী পাকিস্তানগাতায়নবা ঙমখৈদাথোকখিবনি। শোক্লবা পার্সোনেলশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। বি এস এফ কী ডিপ্যুটি ইনস্পেক্টর জেনরেল আর পি এস জসৱাল না ফোংদোরকপদা পাকিস্তান লোমদগী চংশিল্লকপা স্মগ্লরশিংগা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক্তা বি এস এপ কী পার্সোনেল অহুম শোকখ্রে। থৌদোক অদু চপ চানা আত্তারি বোর্দর চেক পোষ্টতগী কিলোমিটর ৫-৬ চৎলগা লৈবা ডাউকে বোদর্র আউট পোষ্টতা থোকখিবনি।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুং বি এস এফ না লমদম অদুদা থি হুন্নগী থবক চত্থখি। পঞ্জাবগা তায়নবা ইন্দো-পাকিস্তান ঙমখৈ পরিংদা বি এস এফ না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা ইলেক্ট্রিক্ট ফেন্সশিংসু খারিবনি। হায়রিবা ঙমখৈ পরিং অদুদা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী স্মগ্লরশিংনা হেরোইন পুথোক-পুশিন তৌই হায়রি।

# মাউইষ্টকী এটেক্তা এস টি এফ কী পার্সোনেল ৭ শিরে, ১১ শোক্লে




***বাস্তার, এপ্রিল ১১ঃ***

ছটিসগর বাস্তর লমদমদা কম্যুনিস পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাউইষ্ট) না এটেক চত্থরকপদা স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্স (এস টি এফ)কী পার্সোনেল ৭ শিরে অদুগা ১১ না অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি ছটিসগরগী বাস্তর লমদমগীমনুং চনবা পিদমাল খুঙ্গং অমসুং দোর্নাপল অমদি চিটাগুফা গা লোন্নবা মফম অমদা মাউইষ্টশিংনা এটেক চত্থরকপদগী খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা নেক্সেলশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থনবা লিংখৎখিবা এস টি এফ কী পার্সোনেল ৭ লৈখিদ্রে অদুগা ১১ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না এদিস্নলেল ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রাজেন্দ্র কুমার ভিজ না ফোংদোরক্লি।

আইননা য়াদবা কাঙবু অদুনা এটেক চত্থরকপদা পুলিসনা খুৎ হন্দুনা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। লোয়ননা সেক্যুরিটিগী মীওই ৭ লৈখিদে। নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদু পুং অমরোম হেন্না চত্থখি। আইননা য়াদবা কাঙবু অদুগী য়াল্লবা কদরশিংনা থৌদোক অদুদা য়াওরমগনি হায়রি। এস টি এফ কী কম্মান্দর সঙ্কর রাও খুৎথোক্লবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে।

শোক্লবা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে। ফিভম লুনা শোকপশিংদি এরোপ্লেন্দা পুদুনা ষ্টেট অদুগী কোনুংদা লায়েংনবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

মতম খরা তুমিন্না লৈরুরবা মতুং মাউইষ্টশিংনা বাস্তর লমদমদা হিংশা চত্থরকপগী খুদম উবা ফংলে। মদু আইননা য়াদবা কাঙবু অদুগী টেকটিকেল কাউন্টর ওফেন্সিপ কেম্পেন শরুক অমা ওইনা চত্থরকপা ওইগনি হায়রি।

মাউইষ্টশিংগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগী ফিভম য়েংলগা মাউইষ্টশিংনা খুৎলিংবা মফমশিংদা কাউন্টর ওফেন্সিপ ওপরেসন চত্থনবগীদমক স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্স শেমগৎখি। হৌজিক ছাটিসঘর অমসুং য়ুমথংন্নরিবা ষ্টেটশিংদা মাউইষ্টকী ঈরাং কনখৎলক্লিবা অদু থিংননবা সরকারগী টাক্স ফোর্স শেমখিবনি হায়রি।

# ডোকমোকাদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ৯ শোকখ্রে

***ডিব্রু, এপ্রিল ১১ঃ***

ঈজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা অসামগী ডোকমোকাদা লৈবা আর্মি কেম্প অমদা মশিং য়াল্লবা মীওই কয়ানা নুং লংশিন্দুনা খোঙজং চংশিলকপা তানখায়নবা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৯ অশোক অপন নংখ্রে।

খোঙজং চংশিলকখিবা মীয়াম অদুগী মনুংদা স্কুলগী মহৈরোইশিং, লমদম অদুদা খুন্দারিবা মীয়াম অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওইশিং য়াওখি। মখোয়না নুং লংশিনবদা পুলিস পার্সোনেল কয়াসু অশোক অপন নংখি হায়রি।

সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস এম জে মহন্তনা খুদক্তা চংশিন্দুনা ফিভম অদু লাকশিন্ননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলিসনা থৌরাং কয়া পায়খৎখি।

চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা ডোকমোকা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পরকুপ পহার দা মথৌ তৌবা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অমনা ইজ্জৎ মাংহনখিবা লৈখি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওই অদু খুদক্তা ফানন্নবা ছাত্রশিং, লমদম অদুগী মীয়াম অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওইশিংনা ডোকমোকা আর্মি কেম্প মমাংদা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুদা হিংশা য়াওরকপগা লোয়ননা মীয়াম অদুনা নুং লংশিনখি।

চৈরকসিদা কে এন সি এ, কার্বি আংলোং ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ), কর্বি আংলোং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মহিলা মোর্চাগী থৌমীশিং য়াওনা ওর্গনাইজেসন ১১ না শরুক য়াদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৫ দগী পুং ২৪ চুপ্পা কর্বি আংলোংদা বন্দ তৌগনি লাওথোকখ্রে। বন্দ অদু ইজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোক্তুদা চেন্নবা লান্মীগী মীওই অদু খুদক্তা ফাদুনা দন্দি পীননবা তকশিন্দুনা কৌখিবনি হায়রি।

ঙসি ডোকমোকাদা লৈবা লান্মীগী কেম্প মমাংদা খোয়শাওনরবা মীওই চা কয়ানা খোঙজং চংশিলকখিবা অদুদা হিংশা য়াওরক্তুনা কেম্প অদুদা নুং লংশিনখি। ফিভম অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা ব্লেঙ্ক ফয়ার মশিং খঙদনা তৌখি। মদুদা খোঙজং চংশিলকখিবা মীওই ৯ শোকহনখি। অদুগা মীয়াম্না নুং লংশিনবদা লান্মীগী মীওই কয়াসু অশোক অপন নংখি হায়রি।




## নাকৎশী নোকমিনসী

### ঈশ্বর মাঙখ্রে

চর্চ্চ অমগী মমাংদা অঙাং খরা শান্নে তাঞ্জা অদুদা চর্চ্চ অদুগী পাস্তর থোক্লক্তুনা অঙাংশিং অদুদা ঈশ্বরগী মরমদা করিগুম্বা খরা খংহন্নিংদুনা হংই

–অঙাংশা ঈশ্বর কদাইদা লৈ?

অঙাংশিংদু ৱা অমত্তা ঙাংদনা পাস্তরগী মনাক্তগী চখোক্লগা অমুক শান্নবা হৌখি। পাস্তর অদুনা অমুকসু চংশিন্দুনা অঙাংশিংদা ঈশ্বর কদাইদা লৈবগে হংই। অঙাংশিংদু শান্নবা তোক্তুনা ময়ুম ময়ুমদা চেন্নখ্রে। অঙাং অমদি ময়ুম য়ৌরগা ফমুংদা কাখৎতুনা কম্বল অমা চিংখৎতুনা ফিরু খুমজিল্লগা হিপখি। মতৌ অদুদা অঙাংগী মমানা হংই

–করি তৌরে ইবুংঙো?

অঙাংদুনা পেরি পেরি তৌরদুনা খুন্নকই পাস্তর অঙ্কলখোয়গী ঈশ্বর মাঙখ্রমালে, কদাইদা লৈগে হায়না ঐখোয়দা হংলকইনিনে!

*খোয়ন্নাম থিরেন*
*লাইরেঞ্জমনা থাবীরকপা*

---

### মহাদেব রাউন্দ কাল্লু

সিবরাত্রি নুমিৎনি, নহা খরা মহাদেবগী লাইফম অমদা গঞ্জা লান্নদুনা থকমিন্নৈ। নহাশিং অদুনা সিব মহাদেবগী মরমদা ৱারী শান্ন-শান্ননা মহাদেবগী মগুন থাগৎনৈ। সিব মহাদেবনা নহাশিং অদুবু নুংশিবা পোক্লদুনা নহা অমগী শক্তম লৌরদুনা মখোয়গী মনাক্তা চংশিলকই। মহাদেবনা নহাশিং অদুবু চানবিরগে খল্লদুনা মনাইশিংনা গঞ্জা লান্নদুনা থক্লিবদু য়াওশিল্লি। ঙাইহাক থম্মীন্নরবা মতুং সিব মহাদেবনা হায় নখোয়না নিংজরিবা মহাদেব হায়বদু ঐহাক্লি নখোয়গী অপাম্বা থুংহনবীগনি, নিংজবশিং হায়রো হায়খি। তাঞ্জা অদুদা ঙসাইদগী গঞ্জা থকপদা ঙাওরবা নহা অমনা মহাদেবদা শংত্রিক য়েংলদুনা হায়রকই থুনা ঙাওইদা, মহাদেবসে রাউন্দ কাল্লু।

*ক্বাকৈথেলদগী*
*লাইশ্রম বিমোলনা থাবীরকপা*

---

### "মণিপুর নোকৱা লুপ"তা য়াওবীয়ু

অহানবা ওইনা "মণিপুর নোকৱা লুপ" কৌবা লুপ অমা শেমজরে। লুপ অসিদা মিং চনবিয়ু । মীবু পুক্লি তিংনা নোকহনবা ঙম্বা ফাগী পীবিরকউ। মীংগা লোয়ননা পাউ চে অসিগী হাংজরিবা কলমদা হাপচগনি। নোকৱা লুপ্তা য়াওবগী থোইদোকপা কন্দিসন লৈতে। মীং, লৈফম নীংথিনা ইদুনা পাউ চে অসিগী ওফিস্তা শিন্নবীয়ু ,পুন্না নোকমিন্নসি।

হায়জরিবা
***হেমচন্দ্র সলাম***
সেক্রেটরি, মণিপুর নোকৱা লুপ

## খঙমিন্নসি

### লম্মিৎলোন

*(ঙরাংগী মখা)*

**লোক্তাক ঃ**

মৈতৈগী লৈশাপাম্বা থৌগাইম্বা অথৌবগা মোইরাংগী লুম্বুসু অথৌবগা লম মুন্নবগী তা চায়নবদা কেগে লুম্বুসুনা হান্না তা হুনবদা লৈশাপাম্বা থৌগাইজাম্বদা পানবা ঙমদ্রে। মৈতৈগী লৈশাপাম্বা থৌগাইজাম্বনা অমুক তা হুনবদদি লুম্বুসুগী মফেদা পাল্লে। লৈশাপাম্বনা নহাক হাৎপা তারে, নথৱায় হিংনিংলবদি নমোম হাওজোং লাংমৈনুবীবু অওং অউনগা লোয়ননা ঐঙোন্দা থাজৌ হায়রকই। লৈশাপাম্বগী ৱাদু তাবদা মোইরাং লুম্বুসুনা নঙোন্দা ইচা থাজরোই ঐগী য়াইবী লৌরো খুন্নক্লবদা মৈতৈ লৈশাপাম্বনা তানা থিন্দুনা হাৎলগা তাংজ লুরেন কক্লে। লৈশাপাম্বনা লুম্বুসুগী তাংজ লুরেনতোনদু পুরগা মোইরাংগী ঙা ফাবশিংদা উৎতুনা নখোয়গী লুম্বুসু অথৌবদি ঐনা লোক্লে হায়না তাক্লম্মী হায়বগী মফম অদু 'লোক্তাক' কৌনখি।

**লোক্তাক ৱাংবরেনঃ**

মোইরাং তোইয়া থোইদিংজাম্বগী মষণ মানবী লাংনুবীনা লোক্তাক লাইজ ঈরেলপুংবু ফৈনা ঈরোয়দুনা শন্নকপদা ৱাবনা নিংশা শোর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা থৱায় তৎকদবগুম ঈরানখি হায়বগী মফম অদু 'লোক্তাক ৱাংবরেন' কৌনখি।

**লিৱাপোকঃ**

লাইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীনা কোংয়াং চেশু ৱাদু লৈপাক্তা য়ুংলম্বদু ৱানৌ ওইনা হৌদুনা ৱাপল ফাখি। নুমিৎ অদুদগী তাংখম লিৱা পোকই হায়বগী মফম অদু ' লিৱাপোক' কৌনখি।

**লাইকোইঃ**

ঙাঙোই য়োইমোইবনা অৱাং লমদা য়াওরৌ শাদানবা তোকপা অমদি মোংবা চোইচিংলেন শা অনিবু লাইনা ফাগে খন্দুনা কোয়না তান্নে হায়বগী মফম অদু 'লাইকোই' কৌনখি।

**লোক্লাউবুংঃ**

মৈদিংঙু খাগেম্বা মনাইশিংগা অরোনবা ৱা তান্নগদবগী লম য়েংঙুসি হায়দুনা চৎথোরকপদা লোইবী হাওনা হোই লাউবদু তাবদা মনাইশিংদা ৱাইরা শাল্লাউখোললা, হুয়েন লাল্লাউখোল্লা হংলক্লবদা চীংদু পুবা হাও লমুনা চোংথোরক্তুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো ৱাইরা শাল্লাউখোল হুয়েন লাল্লাউখোল নত্তে, লোইবী হাওনা হোই লাউদুনা লৌ উনবা লৌয়ানবগী লাউ খোংবনি হঙ্গলিম্মী। মদুদগী মফম অদু 'লোক্লাউবুং' কৌনখি।

**লৈমতাকঃ**

হুইদ্রোম নিঙোল লৈমা লাংহৈ থোইবীনা মদু নিংথৌ হোইদোম শেনবা নহানা শিখিবা চীংদু করম্বনো হংবদা লম্বু থারাও খোইরি খোম্বা নিঙোলসুচানা হো ইচল ও! চীংগী মনাক্তা লৈরিবা শিকৌচীং কৌবা চীংমীশিংনা ময়ুম শারিবা য়োং ময়াম লৈরিবা থেল অসিনি হায়না মখুৎনা থিন্দুনা লৈমা লাংহৈ থোইবীদা তাক্লম্মী হায়বগী মফম অদুবু ' লৈমতাক' কৌনখি।

**লৈমখোংঃ**

লাইবা নহা উঙাম থাবনা লাইজ ঈচেল মতুংইন্না উঙাম চিংদুনা লাকপদা য়োইবু লৈরা খয়োইনিংবীনা ইল চিংদুনা ঙা ফারম্মী। উঙাম চিংলকপগী ঈথক ঈপোম্না ঙা ফাবা য়াদ্রে হায়না অথিবা য়াৱা খোনফম্না চৈবদু তাবদা লাইবা নহা উঙাম থাবনা শাউদুনা নুরাগী মখুজেং পায়রগা চিংবদা য়োইবু লৈমা খয়োইনিংবীনা খোংনা লাউনা কপ্লম্মী হায়বগী মফম অদু'লৈমখোং' কৌনখি।

মথ ংমথং......